# ফিল্ম চাউখৎহনবদা ইথন্তনা য়ারল্লবদি খঙগদবনি... সুর্জকান্ত



মণিপুর ফিল্ম হিংহন্দুনা থম্বখক নত্তে ঐনা পাল্লিবদি, হিংহন্নবা খক্কী ওইরম্লবদি লম অসিদা খোঙদারমদ্রবসু য়াই। মীবু লাল্লি চুম্মী খঙদনা মরাল শিবীনবদি য়াম্লবা, হংগে খঙগে হায়না হোৎনবদি ৱাৎলবা লমদম অসিদা তৌরু-তৌরুবা থবক খুদিংমত্তা শোম্থদুনা লাক্লি। অফবা সমাজ অমা শেম্বদা ফিল্মনা লৌরিবা থৌদাং অসি চাউই হায়বা খঙবীবদগী খঙদবনা মীশিং হেনখিবনরা ফিল্মদা পীরিবা অফ-ফত্তা কয়া অসিগী মমি সমাজ অসিদা নীংথিজনা তাবা ঙমদ্রিবসি করিগীদমক্নো হায়না ফিল্মগী দিরেক্তর অমা ওইবতা নত্তনা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চীয়ারমেন অমসু ওইরিবা লাইময়ুম সুর্জকান্ত শর্ম্মনা মাগী ওইবা মত পাউ চে অসিদা থল্লি।

এল সুর্জকান্ত খোয়াথোং নাগামপালদা লৈবা লৈখিদ্রবা এল বিষ্ণু অমদি লৈখিদ্রবী এল ওংবী রধারানি অনীগী মচানুপা অহুম অদুগা মচানুপী অনী পোকপগী মনুংদা ইং ১৯৬২ গী ওগষ্ট তাং ২৩ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অহানবা ওইনা ফংজখিবনি। মণিপুর ফিল্ম চাউখৎহনগে হায়বা পান্দম অমগা লোয়ননা ফিল্মগী লমদা খোঙদারকখিবা সুর্জকান্তনা ক্লাস আইট তম্বা মতমদা মহাক্কী অপোকপনা মচাগী ৱাখল্লোন খঙনা ৮ এম এম গী বেন্নর ৱাইল মুভি কেমেরা অমা লৈবীখি। মতম অদুদগী সরস্বতি পুজা, গান্ধি জয়েন্তিনচিংবদা কেমেরা নম্বা হৌরকপনা থৌদোক ৱাথোক দেব কর্ম্ম কয়াদসু নমদুনা কেমেরাগী লমদা খোঙদাবা হৌরকখি।

অপাম্বনা লাইচুখ্নবা সুর্জকান্তনা ইং ১৯৭৪ দা পোনি ফিল্ম প্রদক্সনগী বেন্নর মখাদা ১৬ এম এমগী মিনিট ১৬ শাংবা ''ইথক'' হায়না মীং থোনবা সাইলেন্ট মুভি অমা পূন্সিগী অহানবা ওইনা রাইটর, প্রদ্যুসর, দিরেক্তর অমদি ইদিটর ওইদুনা পুথোকখি। মখা তানা মুভি ৮ মুক নম্লবা মতুং অহানবা কেমেরামেন ওইনা মণিপুর কলর ফ্যচর ফিল্ম ''ইঙৌল্লে'' হায়বা ফিল্ম অমা নমখি। ইং ১৯৮৪ দা নমখিবা ''শাওখিনুবা কৈদৌগে'' হায়না শৈহৌবা ঐগী নাচোম নম্বা মতমদা মতম অসিদা মীয়াম্মা নুংশিবীবা লাইময়ুম ওংবী সিমাগা থেংনখি। ঐগী নাচোম হায়রিবা অসিনা সিমাগী ওইনদি অহানবা কেমেরাদা শক্তাকপা হৌখিবনি। সিমা ভিদিও ফিল্ম '' থার্তিফাষ্ট দিসেম্বর'', ''নাওশুম'' অমদি '' খমনু'' হায়বনচিংবা পুন্না ফিল্ম ১০ মুক্তা সুর্জকান্তগা ৱার্ক তৌমিন্নরবা মতুং এল সুর্জকান্তগা য়ুম্বান পূন্সিদা খোঙদামিন্নরকখিবনি। মচানুপী ৫ অমসুং মচানুপা ১ ফংজরবা সুর্জকান্ত মণিপুরী ফিল্মগী লমদা কখোকপনা থৌদাং ওইদুনা লাকপা খোঙচৎতা হৌজিক ফিল্ম ফোরমগী চীয়ারমেন ওইনা লৈরি।

এল সুর্জকান্ত শর্ম্ম মৈরাবা পোলো ক্লব ইম্ফালগী ইকজিক্যটিভ মেম্বর, ষ্টুদেন্ট পব্লিক রিলেসন কমিতিগী প্রসিদেন্ট, ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ভি সি, সিনেমাটোগ্রাফরস গীল্ড মণিপুরগী প্রসিদেন্ট, দিরেক্তর গীল্ড মণিপুরগী ভি পি, মণিপুর ফিল্ম দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এম এফ দি সি) অন্দরদা গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী বোর্ড ওফ দিরেক্তর, ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চীয়ারমেন, মণিব্রুদ ফুটবোল ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী এদভাইজর, থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ আর্ট এন্দ কলচর ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী ভি পিনচিংবা হিরম কয়াদসু থৌ পুরমখি অমদি পুরি। ঠিয়েটরলমদা... ঈথক, সন ওফ গোড, মৈচাক অমদি নুমিৎকী মঙাল হায়রিবা দ্রামাশিং অসিদা রাইটর, এক্তর অমদি দিরেক্তরনচিংবা ওইরকখি। ফিলমোগ্রাফি সেলুলোইদতা... ঈথক, থম্বাল, মৈরি, ইতাও ইবুঙো নুংশিবী, মঙলা তাইবংলা, নুংশিদবা নত্তে, কোরৌ, খুথাং লমজেল, কন্নাগা হিং হৌগনি, মৈচাক মৈচাক, অরোইবা বিদাই, নোংজু অহিং, কৃষ্ণ অলা জিষু, খম্বা থোইবী, হয়েংনা কন্নাগীনো, ওপরেসন শঙাই, রিপোর্টর ১-২, ষ্টার, ওইরম্লে মহাক্তুমক, ঐদি শোয়খিদে, লক্ষিপুরগী লক্ষিপিয়ারি, লৈবাকলৈ, লৈরমখিগে, লীপুন, লালহৌবা, দেৱান কনানো, থেংনরমদ্রবা অঞ্জাম রহে, মুখ্রা, খুং গন্দা, অশা, সনাকৈথেল, খুৎচপ্পী অমদি খুং, লমজা খম্বা, মজাজ, গুলামবগ অমদি সিতা হরননচিংবা কয়াদা স্ক্রিনপ্লে, কেমেরামেন, দিরেক্তর অমদি প্রদ্যুসরনচিংবা ওইরকখি। ভিদিও ফিল্মস (ভি ঐচ এস ফোর্মেট) তা নোংলৈ, ঐ হিং খিগনি, ঈহৌ, শম্বল, উরিৎ নাপংবী, নাওশুম, থার্থিফাষ্ট দিসেম্বর, উলতা পুলতা, তিং খংগী শম্বল, অহিংগী কৈথেল, লাইখি লুবাক্তা, থাওমৈগী মৈরি, শত্র, ইমা ঐ লৈহৌরগে, মেমনাওবী অমদি তিংখংনচিংবা ভিদিও ফিল্মশিংদসু এদিটর, কেমেরামেন, কো-দিরেক্তর অমদি প্রদ্যুসরনচিংবা ওইখিবদা বেষ্ট ইদিটর অমদি বেষ্ট কেমেরামেননচিংবা এৱার্দ কয়া ফংবা ঙমখি। দোক্যুমেন্টরি ফিল্মদা... গান্ধি জয়েন্তি, য়াওশং, তোতাং কাম, গোর্খা ওফ মণিপুর, রেন্দরপেষ্ট, হমার ট্রাইবস ওফ মণিপুর, কবুই ট্রাইবস ওফ মণিপুর লিকোল, নোর্ঠ ইষ্ট রাউন্দ অপ অমদি গুরু থানিল হায়বশিং অসিদা ইদিটর, কেমেরামেন দিরেক্তর অমদি প্রদ্যুসরনচিংবসু অমদি হিংখিনি হায়বশিং অসিদা দিরেক্তর, রাইটর, স্ক্রিনপ্লে, প্রদ্যুসর অমসুং কেমেরামেন ওইরকখিবদা বেষ্ট কেমেরামেন, বেষ্ট এডিটর, বেষ্ট দাইরেক্তর অমদি বেষ্ট প্রদক্সননচিংবা লেমজনিং ঙাই ওইরবা মনা কয়া লৌবা ঙমখ্রে। টিভি সেরিয়েলদা... খম্বা থোইবী, কিল্লর, মীহাৎপা কনানো, ইমাগী ফনেক মচি, নাওকী, অধুরা সপ্পনা, অনানগী পুস্পার, সুনবুরা, ডেকভুরা বোলবুরা, ৱাচন, ওইখি। ওল ইন্দিয়া রেদিওগী সেরিয়েলদা... ইন্দ্রধনুস অমদি না-দার্ল-শকা-বোর্মিলা হায়বসিদা প্রদ্যুসর অমদি দিরেক্তর ওইনা ৱার্ক তৌখি। ইদিটর, সিমেনাটোগ্রাফি, সাউন্দ রেকোর্দিং, প্রদ্যুসর অমদি দিরেক্তরগী লমশিং দা ষ্টেট, নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা বেষ্ট এৱার্দ কয়া ফংবা ঙমখ্রবা লাইময়ুম সুর্জকান্তগা হকথেংননা শান্নখিবা ৱারীগী পাউদম খরা...



## সুর মৈতৈ

সুরঃ সারগী ওইবা ৱারী খরবুদি থম্বীখ্রে, মখা তানা সারদগী খঙজনিংলিবসি লৈবাক্কী থৌ পুবা হায়বসি অরাইবা থবক্তি নত্তে। সারনা ফিল্ম ফোরমগী চীয়ারমেন অমা ওইবসিদা য়ানিংদবা অমদি পেন্দবা মীওই কয়া লৈরমগনি হায়না খল্লি ময়াম অদুবু করম্না মেনেজ তৌবীবগে।

সুর্জ ঃ মীমাঙ থোক্না থবক তৌবা হায়বসিদি অশোয় অঙাম অমা য়াওরকপা মতাংদা ঙাঙবীনবা মী ৱাত্তে। অদুগা লাল্লি চুম্মী খঙদনা মরাল শিবীনবা মীদি য়াম্মী, হংগে খঙগে হায়না হোৎনবদি ৱাৎলবা লমদম অসিদা তৌরু-তৌরুবা থবক খুদিংমত্তা শোম্থনবা মচাক অমা ওইদুনা লৈরি। চুম্না থবক তৌজবা ফাওবা কদাইদা মরাল পীশিগে হায়না থিন্নরবা মতম অসিদা মীয়ামগী থবক তৌবা হায়বসি অরাইবদি ওইদে। ঐনা ফিল্ম ফোরমগী চীয়ারমেন অমা ওইরিবসিদি ঐনা ফম অসিবু কল্লক্লুবা নত্তে, অদুগা ওইগে হায়না ওইবসু হেক্তা য়াবা নত্তে। ফিল্মবু হিংহন্দুনা থম্বদি অরাইবনি, ফিল্ম চাউখৎহনবা মথৌ তাই খনবা ঐগা ৱাখল্লোন মান্নজবা ফিল্মবু নুংশিজবা মীওই কয়াগী মীনুংশিনা চীয়ারমেন ওইবা ফঙজবনি। ঐসু মীওইবনি শোয়দবা ঙম্বা নত্তে, শোয়রে খঙনা খঙনা চৎপা হায়বদুদি কৈদৌঙৈদসু ওইজরোই। মীপুম খুদিংমক্কী ৱাখল্লোন মান্নদবনা ঐনা তৌজরিবা মীয়ামগী ওইবা থবক অসিদা মীয়াম্মা অপেন পেন্দা কয়া অমা লৈরম্বসু য়াই অদুবু ঙল্লিবা মখৈদি লমদম অসিবু শক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ফিল্ম অসিবু চাউখৎনবা হোৎনবদা মীয়ামগী মীনোক মীৱা কয়াবু খাঙদুনা অচুম্বা করিনো ভাব তামিন্নদুনা মেনেজ তৌদুনা লাকখি। ৱাবদি ৱাখ্রবজাৎনি অদুবু অনৌবা অওনবা পুরক্লবা হোৎনবদা অৱাবা থিরুবা চুমদে খন্না হোৎনরিবনি।

সুর ঃ অফবা ফিল্ম পুথোকপা হায়বসিগী মতাংদা করি করম্বা অহোংবগদি পুরকখিবা লৈবিবগে? ফিল্ম ফোরম অমা লৈনা লৈনা ফিল্ম তৌরিবশিংনা অফবা ফিল্ম পুথোকপগী মহুত্তা অনিংবা অপাম্বা পংতৌ তৌনবগী মওংদা লৈরি হায়নরিবসি কদাই ফাওবা চুম্বগে?

সুর্জ ঃ ঐ ইশাগী ওইনদি ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা হৌজিক ফাওবদা অঙম্বা হোৎনদুনা লাক্লি। ফিল্ম অমা তৌবা নৎত্রগা চাউখৎহনবা হায়বসি ঐ ইথন্তনা তৌবা অমদি চাউখৎহনবা য়ারল্লবদি খঙলমগদবনি। মীওই কয়াগা ৱাখল্লোন মান্ননা চঙশিমিন্নরকপদগী মণিপুর ফিল্মশিংগী অপুনবা শক্তম অমা ওইরিবা ফিল্ম ফোরম মণিপুর হায়বা অমা লিংখৎপা ঙল্লিবসি মণিপুরগী ফিল্মদা অচৌবা অহোংবা অমা অহানবা ওইনা পুরকপা ঙম্বগী খুদম অমনি হায়নিংঙই। মসিগী মতুংদা তোঙান-তোঙানবা গীল্ডস কয়া অমা লৈদুনা অফবা ফিলম কয়া পুথোকপা অমদি পুথোক্লবা হোৎনরিবসিসু অহোংবা অমনি হায়জগে, লোয়ননা মণিপুরগী ফিজেৎ লৈতেং অমদি লোনদা ঐখোয়গী ওইবা লোন য়ারিবা মখৈ শিজিন্নহন্দুনা অতোপ্পদা শক তাক্লবা হোৎনবসিসু অচৌবা অহোংবা অমনি। চুম্মী, ফিল্ম ফোরম অমা লৈনা লৈনা মাগী মাগী অনিংবা অপাম্বদা পংতৌদা তৌশিনবসি খঙবা ৱাৎপদগীনি। ফিল্ম হায়বসি করিনো করি দরকার লৈবগে হায়বদু ফোরমদা লাক্লগা তান্নবগী মহুত্তা ঐ মঙাইরে খঞ্জবশিং অসিনা মণিপুরী ফিল্ম, ফিল্ম ফোরম মণিপুর অমদি লমদম অসিবু মীংচৎ থিনবগী মচাক অমা ওইবনা মীয়াম্মা ঙাঙনরিবনি। ফিল্ম অমা পুথোকপা মতমদা করি দরকার লৈবগে হায়বদু খঙনবগীদমক ফোরমনা থোঙ লাওনা হাংদুনা থল্লি হায়বসি ফিল্ম তৌরিবশিংদা থমজগে।

সুর ঃ সারদগী মখা তানা খঙজনিংলিবদি ফিল্ম আর্টিষ্ট হায়বসি মীয়াম্মা য়ানবা চৎকদবনি হায়না অহল লমনশিংনা হায়নৈ অদুবু ঙসিগী আর্টিষ্ট খরদি মীয়াম্মা য়ানবা চৎপদি লায়রদনা মখোয়বু তরেৎ তরা থোক্না তাকপী তম্বীবা ঙল্লিবা সেনিয়র আর্টিষ্টশিং অমদি দিরেক্তরবু মখোয়গী মখাদা লৈবগী মওং অমদা থম্লি হায়নবা কয়া তাজে। মসি কদাই ফাওবা চুম্বগে?


সুর্জ ঃ শোয়দনা হায়নরমগনি, তৌবা য়াওদনদি হায় হায়নরম্মোই হায়নিংই। মসি আর্টিষ্ট শেমগৎলিবা মীওইশিংনা মমুৎ তানা শেম্বীরক্তবা, খোঙথাং নিংথিনা থাংবা ঙমদ্রিবা মখোয়না য়াঙনা চেল্লিবা লমজেলক্তা য়াওশিন্নবা হোৎনরকপা অমদি অনৌবা দিরেক্তর খরনা মখোয়বু লোয়নবা মতমদা মখোয়না য়ানবা চৎপদগীনি হায়নিংই। মতাং অসিদা ফোঙদোক্লিংবা মত অমনা ফিল্ম হায়বা অসিদা লৈরিবা কলাদা থকশি-খাশি আর্মিগী রুলদগী হেন্না লুই অমদি ফজৈ। মরম অদুনা আর্মিনা ফাওবা কলাগী দিসিপ্লিন অসিদি ইকাই খুম্নরিবনি। তাকপী তম্বীববু মশক খঙনা অমদি অহল লমনবু মশক খঙনা চৎপা মীদি লেম্না খক মাঙলোই। শেল খক উরগা থবক তৌরবদি হায়থখিবা খঙহৌরোই হায়নিংই। অদুগা অমনা আর্টিষ্টশিংনা সুট্টিং মফমদা কয়াম্না মীয়াম্বু লোয়নবগে হায়বদু উদবা খঙদবা নত্তে য়েংগে য়েংলিবনি হৌজিক ফাওবদি। থবক খুদিংমক লিমিৎ হায়বা অমা লৈ লিমিৎ অদুগী ৱাংমদা লাল্লক্লবা মতমদদি ঐনা ঙাঙলকপা ৱাহৈদা কোক নোম্থখিবদগী হায়গৎপা ঙম্লোই হায়বসিমদি মঙক থাঙ্গৎনা চৎলিবা থকশি খাশি ৱাৎলবা আর্টিষ্টশিংনা খঙনা চৎহন্নিংই।

সুর ঃ অরোইবা ৱাহং ওইনা, সারগী তুংগী পূন্সিগী পান্দমসি করি ওইবগে?

সুর্জ ঃ চাবা-থকপা, তুম্বা-চৎপা খুদিং ফিল্মগা লোয়নজরকপনি মরুওইনা ফিল্মনা ঐবু শক্তাকপীরকপনি। পূন্সি অসি ফিল্মবু চাউখৎপা অমা ওইনবা হোৎনবদা চোকথবা লৈতনা হোৎনগে, মণিপুর ফিল্মবু চাউখৎহন্দুনা মীমাঙদা পোঙনা মণিপুরবু শক তাক্লম্বা হায়বসি ঐগী তুংগী পান্দমনি।

সুর ঃ সারগী কখোকপনা থল্লবা ৱাখল্লোন অসিনা তুংদা অচুম্বা লম্বী অমা হায়বদু ওইরসনু হায়না ৱিস পীজরি।

সুর্জ ঃ সুরবুসু হায়নিং ঙাই লৈতনা থাগৎচরি। মীয়ামগী সেবা তৌবদা অনা অয়েক য়াওদনা মতোন লোম্না তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু। পাউ চে অসিবুসু লাইময়ুম সুর্জকান্তনা থাগৎচরি।











Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com